ও বি সিদা সব-কেটেগোরি খায়রিবসি মুখৎতুনা মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি ঃ কে এস এ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ ও বি সিদা সব কেটেগোরি ওইনা ক্রেমি লয়ার অমসুং নন-ক্রেমি লয়ার খায়দোক্লিবা অসি মুখৎতুনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংগদবনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী ঐচ বব্লুনা ঙসি মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইন্দিয়াগী রিজার্ভেসন পোলিসি ওইনা সোসিয়েল্লি দিসএদভান্টেজ ওইবা সেক্সনবু সেদ্যুল কাষ্ট (এস সি) অমসুং সেদ্যুল ট্রাইব (এস টি) হায়না কন্সটিট্যুসন্না রিজার্ভেসনগী খুদোংচাবা কয়া পীদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মতম মতমগী মতুং ইন্না রিজার্ভেসন পোলিসি অসিসু শাংদোক্তুনা ঙসি ফাওবা চৎনরি।

অমরোমদা অহানবা বেকৱার্দ ক্লাসেস কম্মিসন (কলেলকর কম্মিসন) ১৯৫৩ অমসুং অনীশুবা মন্দল কম্মিসন ১৯৮০ গী রিপোর্ট মতুং ইন্না অদর বেকৱার্দ ক্লাস (ও বি সি) নৎত্রগা সোসিয়েল্লি অমসুং এদুকেস্নেল্লি বেকৱার্দ ক্লাসেস হায়না কন্সটিট্যুসনদা হাপ্তুনা মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টনা ও বি সি লিষ্ট শেম্মি। সোসিয়েল, এদুকেস্নেল অমসুং ইকোনোমিক্না ফেক্টর ওইরগা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈবা ফুরুপ কয়াবু ও বি সি লিষ্টতা হাপখি। অদুবু ও বি সি কেটেগোরিদা সব কেটেগোরি ওইনা ক্রেমি লয়ার অমসং নন-ক্রেমি লয়ার খায়দোক্লি। হায়রিবা সব কেটেগোরি অসিগী মওং এস সি অমসুং এস টিদা লৈতে।

ও বি সিদা সব কেটেগোরি খায়দোক্তুনা ক্রেমি লয়ারদা লৈবশিং অসি সেন্টর অমসুং ষ্টেটনা পীরিবা কান্নবা অমদি খুদোংচাবশিং ফংলিব্রা নৎত্রগা ফংদ্রিব্রা হায়বসি গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবা চুমগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ও বি সি সব-কেটেগোরিদা লৈবা ক্রেমিবু ইনকমদা য়েংলগা পীরিবা অসি কান্নবা অমত্তা ফংদবনা মরম ওইরগা সব কেটেগোরি খায়রিবা অসি মুখৎতুনা মান্নবা খুদোংচাবা পীগদবনি। সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইব কেটেগোরিদা লৈবশিংনা চহীগী ইনকম জেনরেল কেটেগোরিদা লৈবশিংদগী হেল্লবা ফাওবা অদুমক খুদোংচাবা ফংলি। অদুনা ও বি সি কেটেগোরিদা লৈরিবশিং অসিসু চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহন্নবা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎকদবনি।

সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মাঙজৌননা রিজার্ভেসনদা ইকোনোমিকেল্লি ৱিকর সেক্সন (ই দব্লিউ এস) হায়না নৌনা হাপচিল্লকপা অসিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীতোপ মীয়ানচাদা খুদোংচাবা পীবগা চপ মান্নরে হায়বসি মীয়াম অমসুং গভর্ণমেন্টনা খঙগদবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা মীওই অমত্তা ইকোনোমিকেল্লি ৱিক্কর সেক্সন কেটেগোরিদা লৈতবনা মসিগী খুদোংচাবা মীতোপ্পা লৌরগা য়েলহৌমীশিংগী মফম মখোয়না কনখিবা য়াই হায়বগী ৱাফমসু থল্লি। ইন্দিয়ানা পীরকপা পৈশাখক পান্নগা তৌবা মানবা থৌওং কয়া চত্থরি হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে অমসুং লমদম অসিদা লৈবা ইন্সটিট্যুটতা সেঙ্কসন তৌরক্লিবা শেনফম অদু ইরমদমগী মীওইনা কান্নবা লৌবা য়াদ্রবদি ইরমদমসিদা লৈবগী অর্থ থোক্লিব্রা হায়নসু হংলি।

এদমিনিষ্ট্রেসন্দা পীরিবশিং অসি ষ্টেট অসিগী য়েংলগা অমসুং তুংগী লন ওইহৌনবা হোৎনমিন্নসি, শুপ্পনতগী পৈশা সেঙ্কসন তৌরকপা অদুনা ইরমদমসিদা কান্নরিব্রা কান্নদব্রা হায়বদু য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নম্বোলদা লৈবা সেন্ট জোন হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আরওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নম্বোল কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা তোঙান তোঙানবা কেরিয়র ওপসনগী খুদোংচাবশিং অদু নীংথিনা খঙহনখি। তোঙান তোঙানবা লমদা হায়বদি মেদিকেল, লো, ইঞ্জিনিয়ারিং, বেঙ্কিং সেক্টর, সিভিল সার্ভিসেস, ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সেস অমসুং সি এ পি এফকী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা থবক্কী খুদোংচাবশিং অদু নহা ওইবা মহৈরোয়শিংদা বট্টালিয়ন অসিগী টিম অমনা লেকচর পীদুনা মখা তানা খঙহনখি।

অসিদসু নত্তনা ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসতা চঙনবগী লম্বী কয়াসু মহৈরোয়শিং অদুদা খঙহনবগা লোয়ননা লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লুৱাংশংবমদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়ান আর্মিগী রিক্রুইটমেন্ট রেল্লিগী ঈ-পাউসু খঙহনখি হায়রি।

খোংজোম তর্পন

খোংজোম, সেপ্তেম্বর ১১ (এসএনএস)ঃ মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শীন্দুনা ২৬ লক শুবা খোংজোম তর্পন লাংবন হৈশোই কৎপগী থৌরম থা অসিগী ১৫ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

লাংবন হৈশোই তন্বগী থৌরম অসিদা লৈবাক্কী ফম্নাইবশিং, খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংগী মীওইশিংনা শরুক য়াবিনবা ট্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এম হেমন্তনা পাউজেল পীরি।

অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ ইঙৌরোক মহাদেব চীংঙু পাঙ্গনবা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন লৈমখোং সনাহললোকচাওগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কাংজম সনাজাওবা মৈতৈনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অসিনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙখ্রে লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি হায়না সেক্রেটরী থাংজম সনাজাওবা মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

নোংজু নুংশা খায়দনা নুমিৎ খূদিংগী মীয়ামদা পাউচে য়ৌহল্লিবা হোকরশিং নিংহন্নবা ফাওনরক্লে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ১১ ঃ নুমিৎ খূদিংগী নোংজু নুংশা খায়দনা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা খবর য়েন্থোক্লিবা, মতম চানা ঈ-পাউ য়ৌহল্লিবা মরু ওইনা রুরেল এরিয়াগী হোকর নৎত্রগা দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদা ইন্টরনেটকী শাফুনা চাউনা নীংহন্নবা ফাওনরক্লে।

রুরেল এরিয়াদা পাউচে য়েন্থোক্লিবা অৱা অনা খায়দনা মীওইবগী সেবা তৌরিবশিংনা পূক্নিং শোন্থরক্লিবা অসিগী মরু ওইবদি ইন্টর্নেটকী শাফু অসিনা অচৌবা পোৎলুম ওইরকপদগী হান্না খবর নৎত্রগা পাউচে ২০০ রোম পুরম্বা হোকরশিং হৌজিক্তি ১০০ য়ৌনা পুবা ঙম্লক্ত্রে। নুমিৎ খূদিংগী পৈশা থিরগা খবর লৌরবা মতুং মীয়ামদা য়েন্থোক্লিবা হোকর নৎত্রগা দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগী অৱাবা খঙবি-উবিবগী মহুত্তা কষ্টমরশিংনা য়াম্না থেঙমল্লে, ঙসাইনা ফমুংদা লৈরিঙৈদা ইন্টরনেটকী খূত্থাংদা পাবা লোইখ্রে। হয়েংদগীদি লৌররোই হায়রকপা মশীংসু য়ামখৎলক্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি অয়াম্বনা রুরেল এরিয়াদা থোকপা ওইবনা রুরেল এরিয়াগী হোকরশিংদি মীয়াম্বু জ্ঞান তাহন্নবা হোৎনবদা অৱাবসু ওইরে।

নোং ঙানদ্রিঙৈদা ইন্টরনেটকী মতেংনা পাউচেশিং পানখিবনা নোংমদা কোপি ২০০ রোম পুরম্বা হোকরশিং ঙসিদি ১০০ ফানা পুবা ঙম্লক্তবনি, মথং চহীদদি হোকর লৈত্রবসু য়াবগী মওংদা লাক্লে। পাউচেশিংসু হিংবা ঙমগদ্রা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী ৱাহং অমসু অদুমক ইন্নরক্লি।

পাউচেশিং অসি ৱেবসাইটতা চঙলগা মীয়াম্না পাজসনু, মদু লৌথোক্তুনা নৎত্রগা ৱেবসাইটতা ফংদবা অপলোদ তৌদবা খবরশিং ফোটো কাপ্তুনা পি দি এফতা শেল্লগা য়াম্না ঙন্না থাদোক্লিবা অসিদি হোকরশিংদা শাফু পীবনি হায়না লৌই। অঙনবা অযুক্তা খবরশিং ফোটো কাপ্তুনা নেটৱার্কতা থাগৎলিবা অসি য়াদে হায়বা অমা খঙহনবদা পাউচেগী মগুণ হেনগৎকনি। করিগুম্বা হোকরশিংনা খবর য়েন্থোক্তবা নুমিত্তদি পূন্না ৱামিন্নরক্কনি অমরোমদা খবরগী কান্নবসু খঙলক্কনি হায়না দিষ্ট্রিব্যুটর খরনা ফোঙদোক্লস্বসু লৈ।

নুমিৎ খূদিংগী মীয়ামদা য়ৌহল্লিবা পাউচেশিং অসি পৈশা পীদুনা লৈরগা পুরকপনি অদুগা কষ্টমরশিংদগী থাগী নৎত্রগা হাপ্তুগী ওইনা লুপা অমা অনীদা খোমগৎলগা শেনবুম শাগৎনবা হোৎনজবনি হায়না মমিৎতগী মপি তানা দিষ্ট্রিব্যুটর খরনা পাউদম্লকপদা য়াম্না থম্মোয় শোকখি। মল্লিঙৈদগী হৌগৎতুনা খবর য়েল্লিবশিংদা থেঙনা পীরম্মী অমদি পৈশা লৈতে হায়না থা ২-৩ শোৎপসু য়াওরিবনি। থা অনী অহুম শোৎপা হায়বসি নুমিৎ খূদিংগী পাউচে লৈরগা য়েন্থোক্লিবশিংদা কয়াম্না অৱাবা থেংনরমগনি হায়বা অদুসু মীয়াম্না খঙবিবা চুমগনি।

বেবিস্না মীশিগী লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদবসি তশেংনা লাইবক থিবনি ঃ লৈকল্লুপ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ থা ২ ফারক্লবা বেবিস্না মীশিগী লংলা লংজিল পুথোকপা ঙমদবা লোয়ননা জে এ সিগা য়ানখ্রে হায়রিবা কেস অসি সি বি আইদা শিন্নবা হায়বদু ঙসি ফাওবা ঙমদ্রিবসি গভর্ণমেন্টকী অশোয়বনি অমদি তশেংনা লাইবক থিবনি হায়না লৈপাক কনবা অহল্লুপ (লৈকল্লুপ)না ফোঙদোরক্লি।

লৈকল্লুপকী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাঙবনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, পুলিস দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা মতিক চারবা ওফিসারশিং অমদি হৌজিক হৌজিক ফম পায়রিবা লো খঙলবশিংনা মীশি অসিগী লংলা লংজিল পুথোকপা ঙমদবসি তশেংনা লাইবক থিবনি। মমান্নবী ৩৬ কা তুম্মিন্নরিবা কাদা অঙাং ওইরিবি বেবিস্না চনুনা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বদা তুম্মিন্নরিবা মমান্নবি পূম্নমক চিনখুম মান্ননা খঙহৌদে হায় হায়রিবা, অঙাংশিংবু কুপশেন শেন্নরিবা ৱার্দেনশিংনসু খঙহৌদে হায়রিবসি মীয়াম্না থাজবা ঙমদে। মসিমক মীশি অসিগী ইহৌদা জে এ সিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা হৌনরুবা তৌদনা মীয়াম্না শরুক য়ারকপা অসিমক্লা ময়েক শেংনা তাক্লি।

অমরোমদা যুগ্লোন কৈরোন্নবা, লৈকাই, খুঙ্গং হায়বা অসিমসু ঐখোয়গী খুন্নাইদদি কান্থোকপা য়াররোইদবা খুন্নাইরোই অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা বেবিস্না মীশিগী ইহৌ অসিদা থাংমৈবন্দগী মীয়াম্না মশা মশামক্কী ইমুংদা থোকপগুম শরুক য়ারক্লিবসিসু নৈনদবা য়ারোই। লৈখিদ্রবা অঙাংসিগী ইমুংগী মীওইশিংনা তাথি তাওইনা তৌবিবগী নুংঙাইতবা থৌওং অমত্তা খঙখি উখিদবা অদুনা কৈরোই লৈকাইগী মীওইশিংনা মথন্তা থৌরি য়ান্দুনা শিজবা ওইরমগনি হায়বসি থাজবা ঙমদবনি হায়নসু লৌই। পূম্নমক অসি গভর্ণমেন্টনা খনবিরগা ইরমদমসিগী মীওই পূম্নমক্কী থৱায় নুংঙাইত্রিবসি খরদং ওইরবসু কোক্লবা জে এ সিগা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোকপিয়ু। জে এ সিগী খোল্লাও মীয়ামগী নাকোংদা মখা তানা তাহনবিদনবা শীনবিয়ু হায়বগী ৱাফমসু থল্লক্লি।

দেসামগী টিম্না নিলপদ্মা হয়ার সেকেন্দরি অমদি লমদেং হায়স্কুলগী ফিভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী অখন্নবা টিম অমমম্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নিলপদ্মা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং লমদেং হায়স্কুলগী ফিভম হাকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

দেসামগী সেক্রেটরী এদুকেসন এন্দ একাদেমিক এফিয়ার্স এস ঐচ দেব শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নিলপদ্মা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল য়েংশিল্লুবা মতমদা মহৈরোয় ৩৩৭ মহৈ তম্লম্বা থেংনখি। য়াম্না লাইবক থিবদি হিষ্ট্রিগী লেকচরর ৪ লৈগদবদা অমত্তা লৈরমদ্রে। ইংলিসকী লেকচরর অনী লৈগদবদা অমা, মণিপুরীগী ২ লৈগদবদা অমা, কেমিষ্ট্রিগী ৩ লৈগদবদা অনী, ইকোনোমিক্সগী ৩ লৈগদবা অনী, এদুকেসনগী ৩ লৈগদবদা অমা লৈরমখি। কর্ম্মচকীদি অমফাওবা লৈরমদে।

স্কুল অসিগী এল দি সি লৈতে। লেব এসিষ্টেন্ট ৬ লৈগদবদা ২ খক্তমক লৈরম্মী। লেব রুমসু লৈরমদে। আর্টস গ্রেজুয়েট ওঝা ১৪ লৈগদবদা ১০, সাইন্স গ্রেজুয়েট ১০ লৈগদবগী মনুংদা ৫ দগী হেন্না লৈরমদে। এস সি গার্লস হোষ্টেল শারবসু লৈফম থোকপা মচাকশিং মতিক চানা লৈতবনা হোষ্টেল অসিগী কান্নবা ফংদনা লৈরি। টোইলেটকী ফিভম নাতে চাদবা মওংদা লৈরমখি। ফেন্সিং নীংখায়বনা অয়াম্বা ওইরমখি। ক্লাস রুমশিং নীংখায়খিবা অমদি চেকখায়বনা মরম ওইরগা ক্লাস তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

অতোপ্পা টিম অমনা লমশাং কেন্দ্রগী মনুংচনবা লমদেং হায়স্কুলদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা ওঝাগী অৱাৎপা কয়া থেংনরকখি। মেথসকী ওঝা ২ লৈগদবদা অমফাওবা লৈরমদে। সাইন্সকী ৩ গী মনুংদা অনী লৈরম্মি। কিটচন লৈতবনা মরম ওইরগা ক্লাসরুমদা কিটচন ওইরম্বসু থেংনরকখি। গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা লৈফম থোকপা ওঝা লৈরমদবা, মতিক চাবা, দরকার ওইবা মচাক মথুম লৈহন্দবা অমদি মতমগা চুনবা লেব অমদি লাইব্রেরিগী খুদোংচাবা ফংহন্দবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মহৈরোয়শিংগী অৱাৎপশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিদুনা অফবা মহৈ লোয়শঙ ওইহনবিয়ু। করিগুম্বা থৌৱা শাদ্রবদি স্কুলশিং অসিগী মহৈরোয়শিংগা পূন্না খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কাংপোকপিদা ন্যুত্রেসন মহ্বকী মাস কেম্পেইন খোঙচৎ চৎখ্রে

কাংপোকপি, সেপ্তেম্বর ১১ (এসএনএস)ঃ হৌজিক চত্থরিবা নেস্নেল ন্যুত্রেসন থাগী মনুং চন্না নুমিৎ খূদিংগী অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী তঙাইফদবা হায়বা থিমদা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মাস কেম্পেইনগী খোঙচৎ ঙরাং চৎখ্রে।

আই সি দি এস সেল অমসুং জেদ ই ও কাংপোকপিনা পূন্না শীন্দুনা চৎখিবা মাস কেম্পেইনগী খোঙচৎ অদু কাংপোকপি কৈথেলগী নুপী কৈথেলদগী সি দি পি ও কাংপোকপি সি ঐচ বুধচন্দ্র অমসুং জেদ ই ও কাংপোকপি লেংনৈকিম কিপগেননা লমথাখি। অদুগা জেদ ই ও ওফিস কমপ্লেক্সতা লমথুংফম ওইখি।

লমথাবা অদুগী মাঙওইননা সিঐচ বুধচন্দ্রনা হায়, খুন্নাই অসিগী মরু ওইনা নহা কাঙলূপশিং মশা মউ ফনা থম্বা নৎত্রগা লৈবা হায়বা অসি তঙাইফদবনি। মীৎয়েং অসিদা লৈবাক শীনবা থুংনা সেপ্তেম্বর থা অসি নেস্নেল ন্যুত্রেসন মহ্ব হায়না পাক শন্না কেম্পেইন চত্থরিবনি।

কেম্পেইন অসিগী ঙরাং চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা পরেজিও মরানাথা একাদেমি, গোমা দেবী হায়স্কুল, কাংপোকপি হায়স্কুল, জে এন পব্লিক স্কুল, ইলাইট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয় ১৩০০ রোম্না শরুক য়াখি হায়না দি আই ও কাংপোকপিনা থাদোরকপা চেরোল অমা ফোঙদোরক্লি।

লুপা লাক্ষ ৪৭.২৫ রোমগী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা লুপা লাক্ষ ৪৭.২৫ রোমগী ওইগদবা আইন্না য়াদবা দ্রগ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অসাম রাইফলস অমসুং মোরে পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা মোরেদগী ইম্ফাল তম্না চিংননিঙাই ওইবা মওংদা লাকপা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা মোটোর সাইকল অমা খামদুনা চেক তৌরুবদা তোঙান তোঙানবা পেকেট ১৫০ দা দব্লিউ আই ৱাই টেব্লেৎ ১৫,৭৫০ য়াওরম্বা থেংনখি।

হায়রিবা টেব্লেৎ অসি চাউরাক্না লুপা লাক্ষ ৪৭,২৫ রোমগী ওইগনি। মোটোর সাইকল অদুগী টুল বোক্স মনুংদা গুলিশিং অদু লোৎতুনা পুরম্বনি অমসুং পল্লেল ফাওবা পুনবা হোৎনরম্বনি। ফারবা অমসুং ফংলিবা দ্রগশিং অদুগা কোন্ননা মখা তানা থিজিন হুমজিন্নবগীদমক মোরে পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

থৌনা ফবী মমা এৱার্দ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ ব্রুমেন এগেনষ্ট ক্রাইম্না শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ২০ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ দগী ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্কদবা মীহাৎ থিনা হাৎপিখ্রবী নুপীশিংগী মফমদা লাংবন থানা লাকপদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বগী থৌরমগা লোয়ননা হৌখিবা আগষ্ট থাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা তেন্থাদা শারমচৎ চৎপিখিবা থৌদোক অদুগী ভিক্টিমগী অপোকপিদা থৌনা ফবী মমা এৱার্দ লান্থোক্লগনি হায়রি।

ব্রুমেন এগেন্স ক্রাইমগী এদভাইজর এস সোবিতা দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমসং সাল অমমম য়াওরি। তেন্থাদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা রেপিষ্ট অদুনা নোংমৈ পুথোরকপদা চোংশিন্দুনা মুন্নবা হোৎনখিবা অদুমক্তা মমা মচাগী পুন্সি কলহৌবা ঙমখিবনি। করিগুম্বা কিদুনা তুমিন্না লৈরবদি রেপিষ্ট অদুনা মমা মচা অনীমক হাৎলম্বসু য়াই।

মপুরোইবা লৈখিদ্রবী মমা অদুনা লৌ কুমদুনা, পাৎতা লোং খোন্দুনা, থরোই খুন্দুনা, য়েলাং হেক্তুনা মচা অহুম মহৈ মশিন তমহল্লকখিবা, থৌনা ফনা রেপিষ্ট অদুগা লান্থেংনখিবা, রেপিষ্ট অদু লৈকাইগী মীয়াম্না ফারগা পুলিসতা শিন্নখিবা, মচাগীদমক অমদি মীয়ামগীদমক থৌনা ফনা লান্থেংনখিবা অদুগীদমক থৌনা ফবী মমা এৱার্দ অসি পীগদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা লূপশিং, মৈরা পায়বীশিং, ক্লবশিং অমদি মীয়াম পূন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়রি।

বোনতেরাপুর অমদি সোনাই লাইরিকোন্দা মীতৈ ময়েক তম্বিবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল)না মপূং ওইনা শীন্দুনা অসামগী বোন তেরাপুরদা মীতৈ ময়েক তম্বিবা অমদি তাকপি-তম্বিবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙসি কছারগী সোনাই লাইরিকোন্দসু তাকপি তম্বিবা হৌখ্রে।

মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী ও কৈন্যহনবী লৈমনা ফোঙদোরকখিবদি অসামগী বোন তেরাপুর অমদি সোনাই লাইরিকোন্দা মীতৈ ময়েক তম্বিবা হৌদোকখিবা অদুদা ও নিলাস সিংহ, এক্স জি পি প্রসিদেন্ট নবকান্ত খুরাইজম, মীলালগী লুচিংপুরেল ৱাই বিরেননা থৌরম মপু ওইখি।

কাদাগী একাদেমিক কেম্পেইন চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না চঙশিল্লকপা একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ইরেংবন্দ চৎপা লম্বীদা লৈবা জে আর দি পাথসিকর একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা একাদেমি অসিগী প্রিন্সিপাল নাওরেম বিরমঙ্গোল, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম মেনানা পূন্না থৌরম মপু ওইখি। অদুগা সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি হায়না কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্বর্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লম্বী **লৌরেম্বম সোরোদোনী দেবী**- না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৩০।০৮।২০১৯ ইং, থৱানগী ৩০ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা গুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যা শৈতিয়াবতি দাশিনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১২।০৯।২০১৯ ইং, লাংবনগী ১৩ নি পানবা, শগোলশেন নুমিত্তা চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রহদা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্ছগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তীন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্লবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবীঃ
মৈস্নাম ওংবী জুল্লি দেবী (মচানুপী)
তোপ অৱাং লৈকাই।

SL/5305/12

ইন্দিয়ান থিয়েটর ওলেম্পিক্তা সেকেন্দ বেষ্ট প্লে য়াওনা মনা কয়া লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ উরিষ্য গভর্ণমেন্টকী উরিয়া লেঙ্গৈইজ,লিটিরেচর এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নরগা উৎকল যুব সংস্কৃতিক সঙ্ঘ অমদি কতক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন খূৎশম্নদুনা কতক্কী মিলিনিয়ম সিটিদা পাঙথোকখিবা ২৭ শুবা ইন্দিয়ান থিয়েটর ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারুবা ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিয়েসন ইম্ফালগী দ্রামা দানবির দটা কর্ণনা অনীশুবা বেষ্ট প্লে তাবগা লোয়নন তোঙান তোঙানবা মনা ১০ ফংলকখ্রে।

ইন্দিয়ান থিয়েটর ওলেম্পিক্কী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া দ্রামা, দান্স অমসুং ম্যুজিক কম্পিটিসন অমদি ইন্টরনেস্নেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০১৯ দা হায়রিবা দ্রামা অসি উৎখিবনি। দাইভর্সিটি ইন য়ুনিটি হায়বা পান্দমদা চৎলিবা থা অসিগী ১ দগী ঙরাং ১০ ফাওবা নুমিৎ ১০ নি চূপ্না চত্থখিবা ইন্দিয়ান থিয়েটর ওলেম্পিক অদুদা মপান লৈবাক ৪০ রোম্না শরুক য়াখি।

থিয়েটর ওলেম্পিক অদুগী মনুং চন্না পাঙথোকপা থিয়েটর ফেষ্টিভেলদা দানবির দাটা কর্ণ হায়রিবা দ্রামা অসি তাকপি তম্বিখিবা অমদি কুন্তিগী শক্তম লাংখিবী এল লোলিবালানা অনীশুবা বেষ্ট দিরেক্টর অমদি অনীশুবা বেষ্ট এক্ট্রেস্টকী মনা ফংখি। পদ্মবতিগী শক্তম লাংখিবী অমসুং দ্রামা অসিগী অইবী বি রোজিনা অনীশুবা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট অমদি বেষ্ট অনীশুবা সপ্পোর্টিং এক্ট্রেসকী মনা ফংখি। কর্ণগী শক্তম লাংখিবা পিঐচ সোনিয়ানা অনীশুবা বেষ্ট এক্টর, কৃষ্ণগী শক্তম লাংখিবা সিঐচ চনুলেম্বীস্নানা অনীশুবা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টর, পি প্রিয়া দেবীনা অনীশুবা বেষ্ট মেকঅপ অমদি কোষ্টম অমসুং সিঐচ বসন্তনা বেষ্ট ম্যুজিক্কী মনা ফংলকখি হায়রি।

ইকং মায়োক্নরিবা লৌমীশিংদা লৈঙাক্না মতেং পাংবিয়ু ঃ এ এল এল

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ১১ (এস এন এস)ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা রিংপম তাম্খুল ভিল্লেজগী লাইরোক লৌকোলদা লৌ পরি ৩৩ রোম লৌ উবা য়াদবা অমদি হৌরম্লবা ফৌ পাম্বীসু কংশিল্লকপদগী অৱাবা মায়োক্নরিবা লৌমীশিংগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংবিয়ু হায়না লৌমীশিংগী অপূনবা মীফম্না আপিল তৌরি।

অপূনবা লৌমী লূপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী এল দয়ানন্দ সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙরাং অপূনবা লৌমী লূপ, মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মস এসোসিয়েসনগী থৌমীশিং অমদি রিংপম তাম্খুল ভিল্লেজ অমসুং সলুংফমগী লৌমীশিংগা লোয়ননা অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা কৃপ্পা খন্ন-নৈনরবা তুংদা লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবিনবা অমদি হাঙদুনা লৈরিবা লৌফমদা ফৌগী মহুৎ শিনবা য়াবা মরু মরাংশিং পীবিনবা হায়রিবা মফম অসিদা পুখ্রি তৌবিদুনা লৌউ শিংউবদা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবিনবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্নিং চিংশিল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সলুংফমগী লৌমীশিংসু ঈশিং লৈতবনা মরম ওইদুনা ফৌ হৌদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। সলুংফম মমাঙ লৌকোল ফাওদুনা চেল্লম্বা নোংদম্বী লৌখোং অসি তেংথোক্তুনা লৌকোলশিং অসিদা ঈশিং পীবা য়ানবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মখা তানা গভর্ণমেন্টকী পূক্নিং চিংশিল্লি।

ঙসিগী ৱাষি ফল (১২-০৯-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ অশাওবা, খৎনবা, ৱা থোকপা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা তৌরগনি। চেকশিন্না হোৎনজগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২,৩ ফগনি।

বৃষঃ হকচাং, ৱাখল নুংঙাইবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। লম চৎপা কান্নগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

মিথুনঃ মরুপ মফম ফগৎলগনি। অরুবা খরা পাঙথোক্লগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ৫,৬,৭ অফবনি।

কর্কটঃ অশাওবা, খৎননিংবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। হকচাং ৱাখল লাঙগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা চেকশিল্লু। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ ফগনি।

সিংহঃ ৱাখল লাঙবা মতম্নি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। লম চৎপা, গারী থৌবা হৈ শিংউ। অরানবা তাগনগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ খরা ফগনি, ১২ ফত্তে।

কন্যাঃ খুদোংচাবা থেনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩, ১৪ ফগনি।

তুলাঃ পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫,১৬ ফগনি।

বৃশ্চিকঃ শাওনবা, পেন্দবা, চরক চহিং নাইবা, শেল চৎপা মতম্নি। মীনা খরা য়েংশিল্লি। লম চৎপা চেকশিল্লু। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ চাং অমদা লৈরগনি।

ধনুঃ ৱাখল লাঙবা, শেল চৎপা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংউ। চরাঙনগনি। অচৌবনদি চানবিরগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

মকরঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা,ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২, ২৩ অফবনি।

কুম্ভঃ খুদোংচাবা থেনবা, হোৎনবা য়াবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৩,২৪, ২৫ অফবনি।

মীনঃ শাওনবা, শোক্নবা, শেল চৎপা মতম্নি। কল্লকপা য়াম্মী, লম চৎপা চেকশিল্লু। চঙজরকপা কনখৎলুগনু। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ ফগনি।

চাকঙাই ৱারী-১৪
সোইরেনগী অঙাং
অইবা অমসুং অয়েকপা লোং পান


মৌদুনসু ময়াম্বা অহনদু কিনা হঙ্গোইনা চৎলমই
ইতৈ চাসি সিদা ওইনা থনমলগে
হো হো অদুৱাইদা অদুম থনল্লসু য়ারে...
অসুম্না ইমুংদু শান্তি লৈনা নুংঙাইনা পানবা ওইরম্মী